ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাও

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) কী ১৩শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা লুৱাংশঙবমদা লৈবা কর্মেল জ্যোতি চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংগীদমক চান-থক্লবা পোৎলমশিং পীখিবা


লৌশিং পূক্কে : মীরোনবী নুপীশিংনা ঈশিং অশাবা চাং ... লামায় ২

লামায় ৪ ইন্দিয়াসে ৱাজাও ঙাঙ লৈরে

'মণিপুর ম্যান্মার ওন্থোকপা য়ারোই' লামায় ৫

লামায় ৬ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা অমুল ফেলকোননচিংবা লমলক্কী...

চহী ১০ গী মতুংদা পাঙথোকপা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী... লামায় ৮

লামায় ১০ সব-জুনিয়র বোইজ এন এফ সী : ঝরখন্দ...


মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা এম এম টি য়ুনা নেসনল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিজগী চেয়রমেন ইকবাল সিংহ লালপুরাদা দিমান্দ অসিগা মরী লৈনবা ৱাকৎ চেরোল খূৎশিন্নখিবা




Vol. 48, Issue No. 166 | শগোলশেন, লাংবনগী ১৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 19, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## জিরিবামগী লানফম : কুকি টেররিষ্টশিংনা অমুক্কসু লান্দারকখ্রে

# অমিট শাহনা পিছ পুরক্লবা মীতৈ-কুকি 'এনগেজ' তৌবা হৌরে হায়রিঙৈদা য়েলহৌমীশিং তুমগদৌরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ন্যু দেল্লীদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহুল্লকশুবা ওইনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্কী অহানবা নুমিৎ ১০০নি মপূং ফারকপগী ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মণিপুরগী ঈরাং লোইশিন্দুনা পিছ পুরক্লবা মীতৈ অমসুং কুকি ফূরুপ অনীগী মরক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না 'এনগেজ' তৌবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙরাং নুমিদাং পুং ৭ তারমদাইদগী নুমিদাং পুং ৯.৪৫ তারকপা ফাওবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী মখারোমদা কিলোমিটর ৭ লোমদমক লাপ্পনা লৈরিবা মোংবুং মীতৈ খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমদি নোংমৈগী নোং চুহল্লক্তুনা অকনবা লান চথরকখ্রবা মতুং ঙসিসু মখা তানা এটেক তৌরকখ্রে।

ঙসিগী ওইনা কুকি টেররিষ্টশিংনা নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলক্তুনা পুং ১ তারমদাইদগী হৌরদুনা খুল অসিদা অমুক হন্না নোংমৈ কাপশিন দুনা লান্দারকখিবনি। কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদা অফবা মখলগী এসোল্ট/জি-থ্রী রাইফলশিং ফাওবা শীজিন্নরকখি হায়রি।

অমুক হন্না খুল অসিদা অকনবা লান চথরকপদগী ঙরাংদগী কুকি টেররিষ্টশিংগা ওনশিন্নদুনা খূৎ থোক্করক্লিবা খুল ঙাক্লিবশিংগী মায়কৈদগীসু চপ চানা খূৎ হনখি। নাকল অনীগী মরক্তা ঙসি নুমিদাং পুং ১০ হেল্লকপা ফাওবদা ঙাইহাক-ঙাইহাক কান্নরগা লেপ্পনা খূৎ থোক্লখি। কুকি টেররিষ্টশিংগী মায়কৈদগী মপাঙ্গল কল্লবা বোমশিং ফাওবা শীজিন্নরকখি। অদুবু নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউদি ওফিসল ওইনা ফংবা ঙমখিদে।

অদুম ওইনমক ঙরাংদগী হৌরদুনা কুকি টেররিষ্টশিংনা খুল অসি তম্না অকনবা লান চথরকপদগী খুল অসিদা লৈবা নুপী-অঙাং য়াওনা মীতৈ খুঞ্জাশিং নোংমৈ মরূ অমসুং বোম য়ৌরক্লোইখনবা মফমশিংদা চেন্থোক্লদুনা লৈনখি। নুমিৎ হেক তারকপদগী খুল অসিগী নুপীশিং পূনশিন্নদুনা থোক্লগা খুল ঙাকপশিংগী মতেং পাংখি অমসুং কুকি টেররিষ্টশিংদা মখল অমত্তগী সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা মতেং পাংহন্দনবা লম্বীদা থোক্তুনা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং খুল অসি তম্না এটেক চথরকখিবা কুকি টেররিষ্টশিং অদু মোংবুং মীতৈ খুলগা নক্লনা লৈবা মখোয়গী চর্চ অনীদগী লুপ্লগা চথরকখিবনি। মায়কৈ অনীদগী নোংমৈ অমসুং বোম কাপশিল্লকপদা নত্তনা নক্লনা লৈরিবা 'জারোন' খুলদগীসু কুকি টেররিষ্টশিংনা খূৎ থারকখিবনি।

মখোয়গী এটেক অসি ঙরাং অয়ূক সৈজাং খুলদা কুকি টেররিষ্টশিংনা শীজিন্ননবা চেকশিন্না শাগৎলম্বা বঙ্কর অমা ষ্টেট ফোর্স য়াওবা কম্বাইন্দ ফোর্সকী পর্সনেলশিংনা থুগায়দুনা শীদোকখিবা মতুংদগী চথরকখিবনা মখোয়গী বঙ্কর থুগায়রে হায়দুনা ৱারৌবা ওইগনি থাজনরি। ঙসি নুমিদাং থেংজিল্লক্তুনা নোংয়াই য়ৌশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা খুল অসিগী মীতৈ খুঞ্জাশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনরি হায়না ফোঙদোরকখি।

## ইন্দিয়া লৈঙাক্কী বোর্দর ফেন্সিং : কুকিশিং তাবা

# ঙমখৈ পরিংগী শম্বল খাবা লেপখিগদৌরিব্রা

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মমাঙ চহীগী মে ৩দগী মণিপুরদা অকনবা কাঙলূপ মশেলগী লান থোরক্তুনা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরক্লবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মশক থোকপা অমত্তা তৌরক্ত্রবসু ঈরাং হৌরকপদগী মণিপুরদা লাক্তুনা নুমিৎ খরনি ফাওবা লৈরমখিবা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা লৈবাক অসিগা ম্যান্মারগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিং শিনবা থুংনা শম্বল খাবগী থবক চথরগনি হায়না থেঙ্খাং খরদা ফোঙদোকখিবদা নত্তনা ঙরাং মোদি লৈঙাক্কী অহানবা নুমিৎ ১০০নি মপূং ফাবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা ফাওবা বোর্দর ফেন্সিংগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবসু ঙমখৈ পরিং অসিদা কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদদি শম্বল খাবগী থবক মতম খরা লেপকদৌরিব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

ৱাহং অসি লৈবাক অসিগী পাউগী এজেন্সী অমা ওইরিবা 'ন্যুজ-১৮' না তৌরকখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হংনরকপনি। পাউগী এজেন্সী অসিনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাবগী থবক চথরক্লবসু মণিপুরগী ওইনা কুকিশিংনা তাবা এরিয়াশিংদদি শম্বল খাবা লেপখিনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্না ৱারেপ লৌরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।



শম্বল খাবা হৌরবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর পরিং (ফাইল ফোটো)

এজেন্সী অসিগী পাউনা হায়, নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হোম মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মণিপুরগী কুকিশিংনা তাবা চীংগী এরিয়া খরদদি ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক অসি কোন্না তৌগনি হায়রি। অদুবু ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংগী অতোপ্পা মফমশিংদদি অদুমক শম্বল খাবগী থবক চথগনি হায়রি।

অৱাংবা থাক্তা লৈবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপনি হায়রদুনা পাউ অসিনা হায়, নাগা মীয়াম্না তাবা মফমশিংদা অহানবা মীৎয়েং থমদুনা ঙমখৈ শম্বল খাবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা হয়েং (সেপ্টেম্বর ১৯) দা অয়ূক পুং ৫দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট মরিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকপা ওর্দরশিংনা হায়রি।

## সেলরি পীদবগী জেনিমসকী ও পি দি অমসুং ইমর্জেন্সি সর্ভিস থিংগদৌরি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

জেনিমসকী নর্সশিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংগী পীথোকফম থোক্লিবা থা ২গী সেলরি নুমিৎ নীনিগী মনুংদা পীথোক্ত্রবদি থা অসিগী ২০দগী ও পি দি অমদি ইমর্জেন্সি সর্ভিস থিংজিনবা য়াওনা মখল কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ত্রেন্দ নর্সেস এসোসিএসন (জেনিমস) কী প্রসিদেন্ট লৈমপোকপম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## চীফ মিনিষ্টর ইম্ফাল খক্তগীরা, পোলিটিকেল মেচ্যুরিটি ওইদব্রা হংলক্লে

### চীফ মিনিষ্টরনা লৈঙাকপা হৈত্রগা থৌবাল মায়কৈদা তাইশিনবা য়ারোই : টাকদাল

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেন্দা ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী ৭৪শুবা মপোক ফোঙদোকখিবা ৱাফম সোসল মীদিয়াদা পাক শন্না শন্দোরক্লিবসি থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্ট অপূনবা লূপ (টাকদাল) না অকনবা মওংদা য়ানীংদে। লুচিংবা অমনা



নুমিৎ কুমওনগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা হায়খিবা 'ঈরাং অসি থৌবাল, ৱাংজিং, হৈরোকনা থোকহনবনি' হায়না অসিগুম্বা ইমমেচ্যুর ওইবা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনা লুচিংবা অমা ওইবদা মপূং ফাদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### থৌবাল, হৈরোক ১সুং ৱাংজিংগী মীয়াম্বু থৌওই উশিত্তনা ঙাঙখিবা অদু ঙাঙফম থোক্তে : টাল

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙরাং মীয়ামগী থৌরম অমদা থৌবাল-ইম্ফাল খায়দোক্তুনা অসুক মওংদা য়ানীংদে হায়না লূপ অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এস অমরজিৎনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি টালনা শীন্দুনা থৌবাল অচৌবা



লুরবা মতাংসিদা অখুবা পোলিটিক্সকী ৱাফম পুথোক্তুনা ঙাঙ শকখিবা কয়া অদু থৌবাল অপূনবগী লূপ (টাল) না অকনবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিগা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## সঙাইপ্রৌগী এফ সী আই গোদাউন মনীংদা মপাঙ্গল কল্লবা বোম ১ পোকখায়হল্লম্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ুক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৫৬ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্ফেল পি এসনা কোল্লিবা সঙাইপ্রৌগী এফ সী আই গোদাউন মনীংদা লৈবা সঙাইপ্রৌ থৌদোক অসিদা মীশি-মীনা অমত্তা য়াওখিদে। অদুম ওইনমক বোম পোকখায়ফমগা নক্লনা লৈবা ওইনাম কুমারি, ওইনাম দয়াচন্দ্র অমদি লাইশ্রম শ্যামকিশোর কৌবা মীওই অহুমগী য়ুমগী ফল্লাং য়াওনা পোৎ চৈ খরা বোম মচেৎনা




ময়ায় লৈকায়গী লম্পাক ময়াদা শকখঙদবশিংনা মপাঙ্গল কল্লবা বোম অমা পোকখায়হল্লম্লে। পান্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা বোম ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## 'অন্দ্রো' না লৈবাক অসিগী বেষ্ট টুরিজম ভিলেজ ওইরে

**ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমনা টুরিজম দেষ্টিনেসনগীদমক কলচরেল অমদি নেচরেল এসেটশিং, কম্যুনিতি বেজ ভেল্যু অমদি লাইফষ্টাইলনচিংবগী মতাংদা 'বেষ্ট টুরিজম ভিলেজেজ কম্পিটিসন' পাঙথোক্তুনা লাকপগী মনুং চন্না চৎলিবা কুমজা ২০২৪ এদিসনগী ওইনা হেরিটেজ কেটেগোরিদা মণিপুরগী 'অন্দ্রো' না বেষ্ট টুরিজম ভিলেজ অমা ওইনা সিলেক্সন তৌরে হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্তা অইবা চেরোল পীরকখ্রে। মনা অসি থা অসিগী ২৭তা পাঙথোক্কদবা ৱর্ল্ড টুরিজম দেদা লাম্থোক্কনি হায়রি।

## ইম্ফাল ময়োলগী উফুল লম্বী : অচৎ অওকশিং লোইনমক শিরো হায়ব্রা



বিজয় লাইশ্রম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** এসিয়ন হায়ৱে-১গসু শম্নরিবা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী (এন ঐচ-২) পরিংগী শীংজমৈ ময়েংবম লৈকায়গী হায়ৱে অসিগী শরুক অমসুং চীংমৈরোং খোংনাং অনী কারক্তগীনা তেনখ্রবা শঙাকফম ফাওবগী লম্বী মতেকশিং অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই পুম্নমক মায়দা মাস্ক উপ্পা নৎত্রগা রুমালনা নাতোন খুমদ্রবদি চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙম্নদ্রিবসি অচৎ ...মখা লমায় ৬ কলম ৫

## 'শেল পীদুনা নেক্লগা ঈহৌ হৌহনগদবা কোংগ্রেস পার্টি নত্তে'

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৬তা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি এন জিওফ্রিনা থোকখিবা য়ু ও লেট্টর অমা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখ্রিবা অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতগী য়েংশিল্লব্রা হায়বা ৱাহং হংবগা লোয়নদা সেক্রেটরি মশামক্লা ওইরবসু নৎত্রগনা দি জি পিদগী ওইরবসু চেরোল অদু শেমজিন শাজিনবনি হায়ববু ওইরবসু দিপার্টমেন্টেল ইনক্বারি অমা তৌফম থোকই হায়না এম পি সী সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কে ঐচ দেবব্রতনা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্না হায়, থাঙ্গৈশেংনা সোর্স অমা ফংবদগী এন জিওফ্রিনা চেরোল অসিবু ইরিব্রা হায়বদুসু চিংননীংঙাই ওইরে হায়বসি সিক্যুরিটি লাপসেস লৈবদৌনা উরকপদগী কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ৱাহং অসি হংবনি। মীয়ামদা মীপাইবা পোক্তনবা অশেংবা খঙহনবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চেরোল অদুদা কুকি ৯০০ হেন্না নৌনা দ্রোন বেজদ বোম, প্রোজেক্টাইল, মিসাইল অমসুং জঙ্গল ৱারফ্যেরনচিংবগী ত্রেনিং তৌরগা ম্যান্মারদগী চঙশিল্লক্লগা মিলিটেন্ট ৩০/৩০গী য়ুনিট শেল্লে হায়খিবনি। চেরোল অদুদা বেজ তৌবা ৱাফমশিং সোসল মীদিয়া অমদি মণিপুরগী পাউগী চেনেল খরদা ফোঙনরকখি। মরম অসিনা লোকল পেপর খরদা সেন্সিটিভ ইনফোর্মেসন পীদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## নাওপুরকখিবী সঞ্জিতা লৈখিদ্রে, ঙসি হকচাং লৌরগনি, এস দি পি ও ত্রান্সফর তৌখ্রে

**ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১১গী নুমিদাংদা ককৱাদা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবনি হায়দুনা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টিয়র গ্যাস কাপশিনবদা মসিগী মখোল অমসুং মনম্না মশা শোন্থরকপদগী রিমসতা লায়কন্নরকখিবী লাইশ্রম নিঙোল নাওরেম ওংবী সঞ্জিতা ঙসি নুংথিল পুং ২.২৮ তারকপদা লৈখিদ্রে। মহাক্কী হকচাং হয়েং অয়ূক পুং ১১ তারকপদা রিমসকী মোর্গতগী লৌরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্কদৌরি। চৈরকসিদা লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (দি পি) না ঙসি থোকপা ওর্দর অমদা শীংজমৈগী এস দি পি ও, কে সুন্দরবলা ভিজিলেন্সতা ত্রান্সফর তৌখ্রে।

## 'অমিট শাহনা মণিপুরগী মতাংদা রিপোর্ট ফজনা লৌদ্রে নৎত্রগা সেন্টরনা মণিপুরবু লূম্না লৌদ্রে'



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ঙরাং মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিগী অশেংবা রিপোর্ট ইখঙ খঙদবদৌনা ফোঙদোরকখিবদু য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা কছারদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি কছারগী প্রেস ক্লবতা পাঙথোককিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, অমিট শাহনা মণিপুরদা থা ৩গী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## হোম অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

রিটাইয়র্দ অসাম রাইফলস কেদরশিংনা কুকি খূৎলায় পায়বা গ্রুপশিংদা য়াওশিল্লে হায়না ফোঙদোরকপগী মতাংদা থিজিন্নবা উরিপোক নিংথৌখোংজম লৈকায়দা লৈবা সোসল ৱার্কর অমসুং সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্ট নিংথৌখোংজম থানিলনা ঙসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরদা অইবা ৱাকৎ চেরোলশিং পীশিনখ্রে হায়রি।

মহাক্কী ৱাকৎ চেরোলশিং অদু ঙসি গভর্ণরগী খূথাংদা পীবিনবা রাজ ভবনগী সেক্রেটরিএটতা পীশিনখিবনি। চেরোলশিং অদুনা কুকি আর্মদ গ্রুপ্তা রিটাইয়র্দ অসাম রাইফলস পর্সনেলশিং য়াওরে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

**গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা**

## মরমদম কন্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিংদা লৈ-শু কৎখ্রে

### ঐখোয় পূনশিন্নদুনা মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরকপশিং থেংনমিন্নসি : য়ু সী এম

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

চহী লিশীং ৩ হেনবগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা মরৈবাক মরমদম মণিপুরবু কন্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লাংবন থাগী হৈকৎ-লৈকৎ, হৈশোয় কৎপগী থৌরম য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) না শীন্দুনা ঙসি অয়ূক কেক্রুপাৎতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে ধিরেননা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক মণিপুর কন্নবগীদমক য়েলহৌ ফূরুপশিং পূনশিন্নদুনা অপূনবগী শক্তম থুগায়নবা অমসুং য়েলহৌমীশিং মূখৎনবা হোৎনরক্লিবশিং পূন্না মায়োকমিন্নরসি। থা ১৬ হেঞ্জিল্লক্লবা মণিপুরগী ঈরাংসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ঙসি ফাওবা মখোয়গী ওইবা অরেপ্পা ৱাফম অমত্তা থমদনা অমসুং ঈরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা থবক অমত্তা পায়খৎলক্তবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মতাংসিদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইবা অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎপা মথৌ তারে। মণিপুরগী



অপূনবগী শক্তম্বু কুকি মিলিটেন্টশিংনা শীংনরক্লিবা অসি ঐখোয় পূন্না থেংনমিন্নবা মথৌ তাই। ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা মখল কয়াগী খূৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা মীতৈদা লান্দারক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। মখোয়না চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি মতম চানা ঐখোয়না থিংহৌদ্রবদি নোংমদি ঐখোয় অৱাবা ফীভম অমদা শোয়দনা লাক্কনি। মরম অদুনা মণিপুর কন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী মপান্দা খুন্দারিবা ইচিল ইনাওশিং য়াওনা মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্লা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাং ওইগদবনি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অমদা, মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংনা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## ডা. এল এম সিংহ হায়দরবাদতা পাঙথোক্কদবা গেষ্ট্রোএন্টরোলোজি কনফরেন্সতা শরুক য়ারুগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরগী শক্লাইরবা দি এম-গেষ্ট্রোএন্টরোলোজি ডা. এল এম সিংহ হায়দরবাদতা পাঙথোক্কদৌরিবা গেষ্ট্রোএন্টরোলোজি কনফরেন্সতা শরুক য়ারুগনি। কনফরেন্স অসিদা শরুক য়ারুনবগীদমক মহাক হয়েং সেপ্টেম্বর ১৯দগী থা অসিগী ২১ ফাওবা আউট ওফ ষ্টেসন ওইগনি হায়রি।

## মণিপুর রেদ রন ২ সেপ্টেম্বর ২২দা পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** কিলোমিটর ১০ অমসুং কিলোমিটর ২গী মণিপুর রেদ রন ২ মরাথোন থা অসিগী ২২দা পাঙথোক্লগনি। চহী ১৭তগীনা ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াগদবা কিলোমিটর ১০গী মরাথোননা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৭ তারকপদা কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদগী লমথাগনি। অদুগা কিলোমিটর ২গী ওপন রন অসিনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৮ তারকপদা চীংঙারেল টেজ পুরদগী লমথাগনি। অদুম ওইনমক লমজেল অনীমক্কী লোইশিনবগী মফম্না শওস্বুংগী বিরমঙ্গল কোলেজদা ওইগনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫